ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ৩০, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১৫৪শুবা মশীং

## য়াইরোংগা শবিরাইগা

### মীরাইরগা মোংফম মশীং হেঙ্গৎলক্কদবদনি

নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী ৱাফমসি অনৌবা নৎত্রে। পেন্দমিক অসি মণিপুর য়ৌশিল্লক্তুনা মমাঙ চহী ২০২০গী মার্চ ২৫দগী ষ্টেটসিদা টোটেল লোকদাউনগী অথিংবা ফাওবা থমজিল্লক্তুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্তুনা মীয়ামগী থৱায় কলহৌনবা অকনবা থবকশিং লৌখৎলকখিবনি। কোভিদ ক্যের সেন্টর, কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিং হাংদোকখি। গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটশিংগী য়াওনা অনা ফমুংশিংগী মশীং হেঙ্গৎহনখি। মথৌ তাবা ডাক্টর, নর্স অমদি মল্টি টাস্কিং ষ্টাফকী মীওই কয়া এনগেজ তৌদুনা কোভিদ ৱারিয়র হায়বগী মীংথোল ফাওবা পীদুনা শীজিন্নরি। ষ্টেটসিগী মীওই পূম্নমক লায়নাসিদগী ঙাকথোক্নবা অকনবা থবকশিং হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা লৌখৎলি। কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র/ ষ্টেন্দর্দ ওপরেসনল প্রোসিজরশিং লাউথোক্তুনা চৎনহল্লক্লি। অদুবু মালেমগী ওইরবা তমথীরবা লায়নাসিদগী মণিপুরগী মীয়াম নাখৈ শেংদোকপা ঙমজদ্রি। দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা পুং ২৪ চূপ্পা থল্লম্বা কর্ফিয়ুগী অথিংবমক লৈত্রবসু নুমিদাংগী মতমশিংদা অথিংবা থল্লি। দুকান খরা হাংহল্লবসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফাওবা ফমহন্দ্রি। হায়বদি হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী মীয়াম ঈরুজথোকপদৌনা পুময়াঙ য়াঙবা ওইদ্রি। লায়না মখাক, লাইমন মখাক ওইরি। পূক্নিং লূমদ্রি, মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনবা ঙমদ্রি। নুংতিগী অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরি। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মী শিহনবসু লেপত্রি। তাল্লকসিদা লায়না অসিগী অহুমশুবা ৱেভ লাক্কনি হায়বা ৱাফমশিংসু মেদিকেল এক্সপর্টশিংগী চিন্দোন-লৈতোন্দা পক্লরক্লি।

অদুবু মার্চ ১৯, ২০২২ ফাওবগী মমাঙদা মপূং ফানা পুমলোই লোইশিন্দবা য়াদবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখল খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লকপগী হৌনবা পোলিটিকেল পার্টিশিং খোইরেল মসা পানখৎনরক্লে। মীখল অসিগী ফি শেম্নবা হৌগৎনরক্লে। লৌখৎনরক্লিবা থৌরাংশিং অসিগী মনুং চন্না ষ্টেটসিদা লৈরিবা নেসনল পার্টিশিংগীদি মখোয়গী নেসনল লেভেলগী লীদরশিং নোং চুখ্রগা পাইথোরকপা মুকথ্রুবিদৌনা পাইথোক্নরক্লে। ইনশোন কাংদনা লকপা ঙাদৌনা ষ্টেটসিদা থোমজিন্নরক্লে। অদুবু চথরক্লিবা থৌওংশিং অসিবু য়াল্লবদা মী ২০দগী হেন্না পূনবা/তিনবা য়াদে হায়রিবা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিনা ওর্দর থোক্তুনা অকনবা মওংদা চৎনহল্লক্লিবা ওর্দর অসিগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তুনা মসিগী ফিবান্নুংদগী হেন্দোক্তনা লোইনমক চত্থনবা ওইরমগদ্রা? চীফ সেক্রেটরিগী ওর্দর, ওর্দরসিবু থবক্তা ওন্থোক্লবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট/ দিষ্ট্রিক্টকী মেজিষ্ট্রেটশিংনা অমুক থোক্লখ্রিবা ওর্দরশিং অদুনদি তঙাইফদবা লাইনীং-লাইশোলগা মরী লৈনবা পাঙথোক্তবা য়াদবা থবক-থৌরমশিংগী হায়বনি। মসিসু পাঙথোকপা তারবসু মাঙজৌননা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদগী অয়াবা লৌগদবনি হায়বসু লৈরিবনি। অদুবু নেসনল পোলিটিকেল পার্টি খরগী লুচিংবশিং তোয়না লাকপা হৌগৎলকপসিদা এয়রপোর্টকী থোঙজিন্দগী হৌরদুনা মীনা চরোং শারগা য়োমশিন্দুনা ওক্লরিবা অমসুং মীফম্নচিংবা মথং মথং পাঙথোক্লরিবা অসিবু কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং/এস ও পিশিং ঙাকপনি হায়দুনা লৌবা য়াগদ্রা? মাঙজৌনবা পর্মিসন লৌরম্লবা ফাউবদা চত্থনরক্লিবা থৌওংশিং অসিদি সোসল দিষ্টেন্সিং হায়বদুগী মমি ফাওবা তাদ্রে হায়বনি। মসিদি অচুম্বা থৌওংনি হায়বা য়াগদবা মান্দে। মীখল ময়া নকশিল্লকপগী হৌনবীনি, লাকচসনু। ভোট খোল্লবা হায়বসিদি মশানা তারবনি। ভোটতি মীখল মমাঙদা খোমগদবনি। ইলেক্সন পাঙথোকখ্রবা মতুংদা খোল্লুবা য়াবা নত্তে। অদুবু হৌজিক মণিপুর অনা ফমুংদা য়াতারি, হৌগৎত্রি। নুংতিগী অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং থেংনরি, শিবসু লেপত্রি হায়বনি। ঙসি হয়েংনি খঙদ্রিবা ফীভমসিদদি য়ারিবমখৈ চেকশিনসি হায়দুনা য়ানরিবা থবকশিং অসিদি ঙাক্লা চৎসি হায়বনি। মসি নত্তদুনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী সেকেন্দ ৱেভসিদা দেল্টা ভেরিএন্টকী কেসশিং ফাওবনা চয়োম শারক্লবা মতমসিদা পেন্দমিক্লা পেন্দমিক ওইরবসু ভোটনা ভোটনি হায়দুনা মানা মানা থোকপা তৌনরক্লগদি য়াইরোংনা য়াইরোং শবিরাইনা শবিরাই হায়বদুগী ফীভমদা লাক্কনি, মোঙফম্না খোঙদাফম লৈরক্লোই হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১) *“পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।”* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) *“পুন্সিগী খোঙচৎতা”* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো?

৩) *“নুংশিত্তি পাবা হৈতে”* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা হন্দোকপনো?

৪) *“কনাসু ঐগী মিং খঙদে”* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) *“নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্ত্রে লৈশিল্লে, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।”* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ

ডা. এম থোইথোই সিংহ

**Q.** ফৌ মনাশিংদা মুরৈনবা দাগ মচা মচাশিং য়াম্না লৈরে। থংনবা মীওইশিংনদি ব্লাষ্টনি হায়। মসি ফনবা করি হীদাক কাপকদগে হায়বদু অমুক্তা তাকপীরকউ।

\- বিদুর, মোইরাং

☞ ফৌনাশিংদা মখল কয়াগী লায়নানা অমুবা, মুরৈনবা দাগ কয়ামরুম লৈহল্লি। ব্রাউন স্পোট, ব্লাষ্ট, ষ্টেগ বর্ন অমসুং জীঙ্ক ৱাৎপা মতমদা মনাশিং লাংহল্লি। লায়নাশিং অসি Polyram (Metiram 70% WG) গ্রাম নিফু ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাশিং চোৎনবা কাপথোকসি। শঙম অমা মখায় চাওবা লৌফমদা গ্রাম চামরিগী পেকেট অমা চংগনি।

**Q.** ঐগী লৌ শঙম অমদা ইঙেল্লাই চুবী অদুগা অতোপ্পা লৌরোক অমদনা মনা কোনশিনবী তীলশিং তাই। ওর্গানিক ওইবা মওংদা করি কাপ্লগা নৎত্রগা করি চাইথোক্লগা তীলশিং অসিবু লাকশিনবা য়াগদগে?

\- চিংখৈ, ময়াং লাংজিং

☞ লৌফম অনীমক্কী তীলশিং Vertiguard কাপথোক্লগা ইরায় লায়না লাকশিনবা য়াগনি। নোং চুরোইদবা নুমিৎকী নুংথিলগী মতমদা Vertiguard (Verticillium lecani) গ্রাম ৫০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা ফৌনাশিং মপূং ফানা চোৎনবা কাপথোকসি। শঙম অমা চাওবা লৌফমদা হীদাক গ্রাম ৫০০ চংগনি। নুমিৎ ২০নি লৈরগা অনীশুবা ওইনা অমুক হন্না কাপথোক্কনি।

**Q.** মণিপুরগী লৌফমশিংদা মীওই অয়াম্বনা হীদাক মখল অনী নৎত্রগা অহুম য়ানশিল্লগা কাপনৈ। হীদাক অকাপমল হন্থনবা য়ানশিন্নরগা কাপ্পসিসু থোইদোক্লা কায়দব্রা খঙ্কে। করি মত লৈবীবনো?

\- অমুসনা, নম্বোল

☞ অশেংবমক্তি ঐখোয়না হীদাক য়ানশিন্নরগা কাপ্পা হৌনদে। হীদাক য়ান্নবসিদি Formulators/Company শিংগী মথৌনি। ঐখোয়গী থবক্লা লায়না নৎত্রগা তীলনাদুগী চপ চাবা হীদাক খল্লগা শীজিন্নবনি। হান্নরা য়ানশিন্নরগা হীদাক ওইনা শীজিন্নবসু য়াই।

হীদাক মখল অনীদা নত্তনা অহুম য়ানশিন্নরগা কাপ্পা মীওই কয়া অমসু লৈরি। করিগুম্বদা স্প্রেয়রগী মচিন ফুনবসু তোয়না থেংনরি। হীদাক অনী অহুম য়ানশিল্লবা মতুংদা করি থোরক্কদগে হায়বা ঙমদে। খুদোংথীনীংঙাইনি।

**Q.** ঐগী শীং খরা থাজবনি অদুবু মনাশিংদু ঙাংশিল্লক্লগা কংশিল্লকই। হৌখিবা চহীদসু লায়নাসিমক মফমসিদা তাখি। মসিদা শীজিন্নবা য়াবা হীদাক অমত্তা হায়বীয়ু।

\- অখুব, থৈয়োং

☞ Copper Oxychloride গ্রাম ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা পাম্বীগী মখোঙশিং চোৎনবা কাপথোকসি। নোং তাদবা, পাম্বীগী মখোঙ কংবা মতমদা কাপথোকসি। নাদ্রিবা পাম্বীশিংসু মপূং ফানা কাপথোকসি। নাখ্রবা পাম্বীদি কনবা ৱাই।

থারমদাইদা Trichoderma তোৎপসু কান্নগনি। Trichoderma য়াওরবা ষন্থি ষণয়ুংগী হারসু শীজিন্নসি।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**

**চিঠি থারকফম**

**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**

**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**

**নৎত্রগা**

**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# ফোসফরস হারগী মগুনশিং খঙনা মতম চানা অমদি মওং চুম্না চাইবনা পাম্বীগী চাথোক হেলহল্লি

**এস সুমঙ্গল**

ঐখোয়না থারিবা পাম্বীশিংবু মতম চানা মচন শুনা মচিঞ্জাক ফংহন্দুনা মপূং ফাবা মহৈ মরোং অমা ওইহনবা হায়বসি লৌউ-শিংউ তৌবিরিবা খুদিংমক্কী পান্দম ওইফম থোকই। মসিনা থারিবা মহৈ মরোং অদু মশা মউ ফবা পাম্বী ওইদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা, লায়না কয়াদগী ঙাকথোকচবা ঙম্বা পাম্বী ওইদুনা শেঞ্জং হন্থহনবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়ননা শেন্দোং লৈগদৌরিবনি। পাম্বীদুবু চারিবা মীওইবা অমদি শা-ষণ খুদিংমক্কীসু মশা ফবা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। লাইবক থিবা অমনা লৌউ শিংউ তৌবিরিবা অয়াম্বনা পাম্বীদা মচিঞ্জাক পীবগী কাঙলোন অসি মমুৎ তানা খঙদনা মানা মানা থোকপা মওংদা অদুমক চত্থবা কয়া থেংনবা অসিনি। মতাং অসিদা ঐখোয়না তোয়না থেংনবা ৱাফম অমদি য়াম্না মরু ওইরিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ফোসফরসকী মতাংদা অশোয়বা কয়া লৈরিবা অসিনি। ফোসফরস হায়রিবা মচল অসিদি পাম্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা পাম্বীগী মরা শেমগৎতুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক লৈবাক লৈহাওদগী চুপখৎতুনা পাম্বীবু মশা মউ ফহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। ফোসফরসকী হার করম্না করম্বা ফীভমদা শীজিন্নগনি হায়বদু খরা থমজগে।

মণিপুরগী ওইনা অখঙ অহৈ কয়ানা পাম্বী খুদিংমক্কী ওইনা ফোসফরস হায়রিবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক মচল পীবা ঙম্বা হারশিংগী মরক্তা, দি এ পি (দাইমোনিয়ম ফোসফেট) মীয়াম্না দাইমো হায়না খঙনরিবা হারগী মহুত্তা এস এস পি (সিঙ্গল সুপর ফোসফেট) মীয়াম্না সুপর হায়না খঙনরিবা হার মখল অসি ওইনা চাইননবা খঙহনবা লৈ। অদুবু অয়াম্বা ইচিন ইনাওশিংনা তৌরিবা মওংদি য়াম্না নীংবা কায়নীংঙাই ওইরি। খুদম ওইনা ফৌদা হার চাইবা মতমদা এস এস পি শঙমদা কিলো ৫-১০ দমক চাইবা কয়া য়াওরিবা অসিনি। মসিদি শুকচাই চাইদবগা চপ মান্নে। তশেংনমক্তি শঙম অমদা এস এস পি অসি কিলো ৬০-৬৫, করিগুম্বা মতমদা কিলো ৭০ ফাওবা চাইগদবনি। কনাগুম্বনা দি এ পিসু, এস এস পিসু অনীমক, অমনা অমবু মেনখৎনবগী ওইবা মওংদা নত্তবা, অনীমকসি কান্নবা হারনি, অনীমক চাইবনা হেন্না কান্নবা ফংগনি হায়বগী ৱাখলদা চাইশিনবসু য়াওদবা নত্তে। তশেংনমক্তি হার মখল অনী অসি ফোসফরস পীবা ঙম্বা হার ঙাক্তনি। অমা মপূং ফানা চাইরবদি অতোপ্পদু চাইদ্রবসু য়ারে হায়বনি নৎত্রগনা অমনা পীবা চাংনা কয়ানো অতোপ্পা অদুনা পীবা ঙম্বনা কয়ানো খঙনা চাইরবদি অকায়বা লৈতে হায়বসিসু খঙজিনবা ফৈ। অমরোমদনা হার মখল অসি করম্বা মতমদা চাইগনি খঙদবনা ফৌনা মচা পোকপা লোইবা মতমদা ‘ফোসফরসকী হারদি চাইহৌদ্রে করম্না কয়া য়াম্না চাইগনি?” হায়না য়াম্না তোয়না হংবা ৱাহং অমা হৌজিকসু অদুমক ওইরিবা অসিনি য়াম্নমক নীংবা কায়রিবদি।

ফোসফরসকী খঙজিনবদা কান্নবা ৱাফম খরা মখাদা থমজরি।

১) ফৌনা লিংদ্রিঙৈ/হুনদ্রিঙৈ মমাঙদা চাইহৌবা নত্তনা হার অসিগী কান্নবা অসি থেংথ থেংথনা চাইরিমখৈ ফৌ পাম্বীদা কান্নবা ইফং ফংহৌদে।

২) ফোসফরসকী হার মখল খুদিংমক্কী কান্নবা অসি য়াম্না শিনবা নৎত্রগা য়াম্না য়াকপা মফম নত্তনা অদুমক মান্নে অদুবু মণিপুরগী তুংগী ওইনদি লৌফমদা ফৌগী মতুংদা অতোপ্পা পাম্বীগী মখলশিং থানবগী য়েংলগা এস এস পি শীজিন্নসি হায়বনি।

৩) লৈমায়দা চাইবা (খোইজিনদবা) ফোসফরসকী হারনা লৌফমদুদা ইশঙ পাম্বী য়াম্না হৌহন্নবা মচাক ওইহল্লি।

৪) হান্নদগী ইশঙ য়াম্না হৌগনবা মফমদদি ফোসফরসকী হার অসি ফৌ থাদ্রিঙৈদা লৈবাক্তা শোয়দনা খোইজিনবীহৌগদবনি।

৫) ফোসফরস ৱাৎলবা লৈবাকশিংদা মহৌশানা পাম্বীদা নাইট্রোজেনগী অৱাৎপসু অদুমক লৈ। হায়বদি ফোসফরসকা নাইট্রোজেনগা অনী অসি অমনা অমদা পাম্বীনা চুপখৎপদা মতেং পাংনৈ হায়বনি।

৬) লৈবাক লৈহাওদা নাইট্রোজেনগী হার খোইজিনবনা নাইট্রোজেন মনিল ওইনা মাঙবা হন্থহনবতা নত্তনা পাম্বীনা ফোসফরস শীজিন্নবগী চাংসু হেনগৎহল্লি।

৭) ফোসফরস ৱাৎপা মতমদা নাইট্রোজেন হার চুপখৎপসু অদুমক ৱাৎলি। ফনা য়াম্না চাইরবসু ফোসফরসপু ৱাৎলবদি পাম্বীনা য়ুরিয়া হারদা য়াওরিবা নাইট্রোজেন শীজিন্নবা ঙমদনা মাঙখিবনা অয়াম্বনি।

৮) ফোসফরসনা ফৌগী (অতোপ্পা পাম্বীগীসু) মরা ফগৎহল্লি, মচা পোকপগী চাং হেলহল্লি, মপান শাবা ঙনখৎহল্লি লোয়ননা ফৌ মুনবা থুহল্লি, ফৌ মরু চঙবদা মপূং ফাবা চঙ-চঙ লাওবা হেলহল্লি।

৯) ফোসফরস ৱাৎলবা ফৌ পাম্বীনা চাউজন থিবগা লোয়ননা মচা পোকপা ৱাৎলি, মনা পাকপা ৱাৎলি, মনাগী মচু শঙবসু ৱাৎলি, চপ য়ুংই, মোৎনা নৎত্রগা হিগোক চঙনা অশংবা মচু ওই, মরক্তা মনাগী মতাই মতাইদা পেক্রকলৈ মচু ফাওরক্কনি। অরিবা মনাশিং ঙন্না কংশিল্লকপা থেংনগনি। ফৌ মুনশিনবা থেংথহল্লি, ফৌহামগী চাং ৱাঙহল্লি।

১০) পাম্বীনা ঙন্না, নৌরিঙৈ মতমদা চুপখৎখিবা ফোসফরস অসি অরিবা মনাশিংদগী অনৌবা মনাদা পীবা ঙম্মী। মসিগী ফোসফরসকী মগুন অসিমক্নি ঙল্লিঙৈদা মতিক চানা হাপ্পনা ফৌনা মতিক চানা চরোং চুম্না পানবা ঙমহল্লিবসি।

১১) ফোসফরস অসি য়াম্না তপ্না তপ্না চৎপা মচল ওইবনা ফৌনা মচা পোকপা লোইরবা মতুংদা ফোসপরস চাইবনা মরা, মনা অমদি মখোক্তা হেন্না তুংশিন্দুনা লৈশিল্লি, চরোং য়ৌনা চৎপা ঙমদ্রিঙৈদা ফৌ মুনখিবনা হান্দুনা চরোং চুমহনবা ঙমদে, চাথোক হন্থে। চরু ফহল্লগা তোকই।

১২) ফৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাইগী অরোইবা খোইবদা খোইজিন্দুনা হাপ্পা মতমদা মীয়াম্না খন্নরিবা ঈশিংনা চেন্থদুনা মাঙখিগনি হায়বা ৱাফমসি অরানবনি। লৈনাং ওইনা লৌরি পাথোক্তুনা চেন্থখিবা তারগদি খরা মাঙখিবা য়াই নৎত্রগদি মাঙখিগনি হায়বগী চিংনবা থাদোকসি। মরম অসিনা ফোসফরসকী হারদি (এস এস পি নৎত্রগা দি এ পি) অরোইবা খোইবদা হাপ্তুনা লৈবাক মনুংদা মমুৎ তানা খোইজিনহৌবনা খ্বাইদগী ফৈ, লৈবাক্তা খোইজিনহৌবনা ঈশিংদা তুল্লবা হার মাঙবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। হায়রিবা ৱাফম অসি অতৈ হারশিংগী ওইনসু চুল্লবা ৱাফমনি।

১৩) রোক ফোসফেট হায়রিবা ফোসফরসকী হার ওইরগদি য়ামদ্রবদা থা অমা মাঙজৌননা চাইদুনা খোইজিনহৌগনি। হায়রিবা হার মখল অসিদি ঈশিংদা তুম্বা ঙমদে, অশিনবা এসিদতা তুম্মী। মণিপুরগী অশিনবা লৈবাক্তা য়াওরিবা এসিদতা তপ্না তপ্না তুমদুনা পাম্বীনা চাবা ঙম্বা মওংদা ওন্থোকপদা মতম চঙবা মরম্না মাঙজৌননা হাপহৌদবা তারগদি থারিবা পাম্বীনা ফংহৌদদুনা তুংদা থোরকপা পাম্বীগীদক চাইবা ওইনা থোক্কনি।

১৪) খঙজিনবা য়াবা অমনা ফৌ হায়বসি ঈশিং তুংশিনবা মফমদা থাবা মরম্না ফৌ পাম্বীদা চাইরিবা ফোসফরসকী হার ফংবদা ৱানা থোকই। অকঙবা লৈবাক্তা থাবা মতমদদি ফোসফরস ফংবা ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লবা য়াই।

করম করম্বা লৈবাক্তা করম্বা ফোসফরসকী হার চাইগনি?

ফোসফরস য়াওবা হারশিংগী মগুণ খঙলবা মতুংদা মদুগী মতুং ইন্না ঐ-ঐগী লৈবাক লৈহাওগা চান্নবা মখল চাইবনা হেন্না কান্নবসু ওইগদৌরিবনি। খরা খঙজিনবীনসি।

১) এস এস পি লৈবাক্কী অশিনবা হেনগৎহন্দে। ঈশিংদা তুম্মী। মসিদা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ফোসফরস ($P_2O_5$) 16-21% য়াওই। ২০% কেলসিয়মগা লোয়ননা ১২% সলফর য়াওই।

২) ত্রিপল সুপর ফোসফেট (টি এস পি) অসিসু লৈবাক লৈহাও শিনবা হেনগৎহন্দে। ঈশিংদা তুম্মি। ফোসফরস ৪১-৫০% য়াওই।

৩) দি এ পি (দাইম্মোনিয়ম ফোসফেট) মীয়াম্না দাইমো হায়না খঙনরিবা হার মখল অসিসু ঈশিংদা তুম্মি। ৪৬-৫৩% ফোসফরস য়াওই। লৈবাক শিলহল্লি। হার অসিদা নাইট্রোজেন ১৬-১৮% য়াওই। মরম অদুনা এস এস পি চাইবদা চংবা য়ুরিয়াগী চাংদগী খরা হন্থনা চাইবা তারে।

৪) রোক ফোসফেট (পাওদর) হায়রিবা অসিদি ঈশিংদা পাক তুমদে য়াম্না তপ্না পাম্বীদা ফংই। ফোসফরসনা ২৫-৩৯% য়াওই।

পার্সেন্টশিং অসি $P_2O_5$ ঙাক্তা ওইনা পীবনি।

খরা শিনবা, অচম্বা অমসুং অয়াকপা লৈহাওদা ঈশিংদা তুম্বা মখলশিং শীজিন্নবা ফৈ। ঈশিং তুংবা ফৌদদি ঈশিংদা তুম্বা মখল শীজিন্নবা ফৈ। য়াম্না কা হেন্না শিনবা, ঈশিং থুল্লবা মতমদফাওবা pH5.5 তগী হেন্না ৱাংখৎপা ঙমদবা মফমদদি রোক ফোসফেটনা খ্বাইদগী ফৈ। মণিপুরগী ওইনা অয়াম্বা লৈবাক্তা, এস এস পি অমসুং টি এস পিনা খ্বাইদগী ফৈ।

অতোপ্পা ৱাফম খরনা, ফোসফরসকী হারশিংদা য়াওরিবা ফোসফরস অসি মণিপুরগী লৈহাওগুম্বা অশিনবা মফম (pH5 গী মখা) অমসুং অতোপ্পা ফীভম কয়াদা লৈবাক্তা ফাজিনখিদুনা পাম্বীদা ফংদনবগী মওং তোইনা থোকই। অয়াম্বা মতমদা চাইরিবা ফোসফরসকী ১০-১৫% খক্তমক পাম্বীনা ফংবা ঙম্মী। মরম অদুনা এস এস পিবু ওইরো দি এ পিবু ওইরো, ফৌ নত্তবা অতৈ মনা মশিং মহৈ মরোং থাবদা শীজিন্নগে হায়রবদি চবাক ওইনা চাইদুনা খোইজিনবগী মহুত্তা পাম্বীগী মনাক্তা পূন্না পূন্না হাপ্পনা লৈবাক্তা ফাজিনখিবগী চাং হন্থরক্তুনা পাম্বীদা তপ্না তপ্না খরা হেন্না ফংহনবা ঙম্মী।

ৱাফমশিং অসি কূপ্না নৈনদুনা ফোসফরসকী হার মওং চুম্না শীজিন্নদুনা হেন্না কান্নবা লৌরসি, শেন্দোং হেন্না তাল্লসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।